# কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ হৌরকফমগী মতাংদা য়ু এসনা খল্লিবা ৱাখল্লোন অরানবনি: চাইনা



বৈজিং, মে ২৭ (এজেন্সী) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌরকখিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী মতাংদা চপ চানা থিজিন্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখিবা অমদি লায়না অসি শাদগী মীদা শন্দোরকখিব্রা নৎত্রগনা লেবোরেটোরি রিসার্চ্তগী থোরকখিব্রা হায়বদুগী মতাংদা কুপ্না থিজিল্লি হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদু চাইনাবু মালেমগী লৈবাকশিংদা লান্না উহন্নবা হোৎনবনি।

জো বাইদেননা য়ু এস ইন্তিলিজেন্স এজেন্সিশিংদা থা অহুমগী মনুংদা কোভিদ-১৯ ভাইরস শন্দোরকখিবগী মতাংদা চপ চাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলকনবা খঙহনখিবনি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা চাইনানা কোভিদ-১৯ ভাইরস অসি লমলক্কী শাশিংদগী মীওইবদা শন্দোরকখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু চিংননিংঙাই ওই। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা থিজিনবা তঙাইফদে।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্নসু হীরম অসিগী মতাংদা ঙল্লিঙৈ মতমদা থিজিন্নবা হোৎনবদা চাইনানা চাওনা অয়েৎপা পীখি অমদি মতমদুদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী সাইন্টিষ্টশিং চাইনাদা চঙবদা অথিংবা থমখিবনি। সাইন্টিষ্টশিং চঙদুনা থিজিন্নবা হোৎনবদা চাইনানা অথিংবা থমখিবা মতমদুদগী হৌরগা য়ু এসনা হীরম অসিগী মতাংদা থিগৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি। অতেনবা মতমগী মনুংদা লায়না লাইচৎ অসিগী মতাংদা চপ চানা খঙদোক্নবা হোৎনগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংনা চহী অমরোম অসিদা কোভিদ-১৯ গী মতাংদা য়াম্না কুপ্না থিজিনবগী থবক চথুরি। হৌখিবা চহী অমরোম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই মিল্লিয়ন ৩.৪ হেন্না শিহনখ্রে। লায়না লাইচৎ অসি মীয়াম্না তরাইনা লৌরুবদগী খুদোংথিবা থোকপগী চাং হেনগৎলকখিবা ওইরম্বা য়াই। অদুবু লায়না অসিগী হৌরকফমদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

চাইনাগী মায়কৈদগীদি লৈবাক অদুগী মনুং চনবা ৱুহানদা লৈবা শাঙা য়োনবা কৈথেল অমদগী ভাইরস অসি শন্দোরকপা হৌরকখিবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুবু য়ু এসনদি ভাইরস অসি ৱুহানদা লৈবা হায়লি সেক্যুলর ওইবা রিসার্চ লেবোরেটোরি অমদগী থাদোরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি।

ঙল্লিঙৈ মতম ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনশিংগী এক্সপার্টশিং য়াওনা অতোপ অতোপ্পা সাইন্টিষ্টশিং য়াওনা ভাইরস মখল অসি সেকপিদগী মীওইবদা শন্দোরকপনি হায়না থাজনখি। অদুবু মখা তানা থিজিল্লুবদা হায়রিবা ভাইরস অসিনা লমলক্কী অতোপ্পা শাশিংদা অমদি সেকপিদা নাবগী খুদম ফংদ্রি। মরম অদুনা ভাইরস অসিগী হৌরকফম থিদোকপা য়াম্নমক মরু ওই।

চাইনানা ঙল্লিঙৈদা মতমদা ভাইরস মখল অসি সেকপিদগী শন্দোরকপনি হায়না ফোঙদোকখিবদা মালেমগী মীপুম খুদিংমক্না থাজদুনা লাকখিবনি। ৱুহান ইন্সটিট্যুট ওফ ভাইরোলোজিনা খুদমগা লোয়ননা সেকপিদগী শন্দোরকখি হায়না উৎখি। অদুবু মখা তানা থিজিল্লুবদা চাইনানা ফোঙদোকখিবশিং অদু মপুং ফানা অচুম্বা ওইরমখিদে।

কুমজা ২০১৯ গী অরোইবা থাদগী শন্দোকপা হৌরকখিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা অচৌবা চৈথেং পীদুনা লাক্লি। হৌজিক হৌজি কসু ভাইরস মখল অসিনা মীওইবা খুন্নাইদা চৈথেং পীবা লেপত্রি। অদুবু ভাইরস মখল অসি মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা ভাইরস অসিগী হৌরকফম খঙবা মথৌ তাই হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# সাইক্লোন য়াসনা চৈথেং পীখ্রবা মীওইশিংদা মতেং পাংনবগীদমক শেম শাবা লোয়রে: য়ু এন



ন্যু য়োর্ক, মে ২৭ (এজেন্সী) :
ট্রোপিকেল সাইক্লোন য়াসনা ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা চাওনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা মতুং য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিয়ো গুটরসকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অৱাবা তারবশিংদা মতেং পাংনবা খঙহল্লক্লবদি খুদক্কী ওইবা মতেং পীনবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শেম শাদুনা লৈ হায়রি।

এসিয়াগী খা থংবা শরুক্তগী হৌরকখিবা ট্রোপিকেল সাইক্লোন য়াসনা ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা অকনবা চৈথেং পীখিবনি। সাইক্লোন অসিনা মখা তানা ঙরাং ওরিষাদা অকনবা চৈথেং পীখি। মদুনা মরম ওইরগা গভর্ণমেন্টনা মীওই মিল্লিয়ন কয়া শাফগদবা মফমশিংদা থৈদোক্তুনা থমখি।

য়ু এন এজেন্সিশিং অমসুং ইন্দিয়াদা লৈরিবা মখোয়গী পার্টনরশিংনা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা তেংবাং পীনবগীদমক শেম শাদুনা লৈরি। ষ্টেট ওথোরিটিনা হীরম অসিগী মতাংদা হৌদোরক্লবদি খুদক্তা মতেং পীগনি হায়রি। নেপালদা লৈবা য়ু এন হ্যুমেনেটেরিয়ন গ্রুপনা ফোঙদোরকখিবদা লৈবাক অদুদসু সাইক্লোন য়াসকী চৈথেং ফংখি।

নেপালদা পুং ২৪ গী মনুংদা অকনবা নোং চুরবা য়াবগী থাজবা লৈ। নেপাল খক্তদা নত্তনা বংলাদেশতসু সাইক্লোন য়াসকী অচৌবা চৈথেং ফংলবা য়ানা লৈরি। করিগুম্বা বংলাদেশতা সাইক্লোন য়াসনা চৈথেং পীরক্লবদি খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা তাগদৌরিবা অসি লৈবাক অদুগী কোক্স বজারদা লৈরিবা রেফ্যুজিশিং অদুনি। কোক্স বজার অসি মালেমগী ওইনা রেফ্যুজিশিংগী খ্বাইদগী চাওবা মফম অমনি। হৌজিক হৌজিক মফম অসিদা ম্যান্মারগী রখিন ষ্টেটশিংদগী চঙলকখিবা রেফ্যুজিশিংনা নম্না লৈরি।

অমরোমদা ইন্দিয়াদা হৌজিক সাইক্লোন য়াসনা চৈথেং পীখ্রবা মতুং ইমর্জেন্সি সেন্তরশিংদা লৈরিবা মীওইশিং অদু সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবনা মরম ওইদুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোরকপদা অচৌবা মতেং ওইরবা য়াই হায়রি।

# ভোলকেনো ইরপসনগী মতুং মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা চৎনখ্রে

গোমা, মে ২৭ (এজেন্সী) :
দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোংগোদা লৈবা য়িরাগোমোদা ভোলকেনোয়িক ইরপসনশিং থোকখ্রবা মতুং অমুক হন্না ইরপসন থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা গোমা সিটিগী শরুক খরদগী মীওইশিং অতোপ্পা শাফগদবা মফমশিংদা চৎখিনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মীওই খরদি মাংজৌননা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎপা হৌনখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা লোকেল মিলিটরি গভর্ণর জেনরেল নদিমানা ফোঙদোকখিবদা গোমাগী শরুক খরদা অমুক হন্না ইরপসন থোরকপা য়াই হায়না ষ্টেট মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা খঙহল্লকখ্রে।

ইরপসন অসি গোমাগী মনাক্তা লৈবা লেক কিভুগী মখা থংবা শরুকশিং ফাওবা শোকহল্লকপা য়ানা লৈ। য়িরাগোঙো ভোলকেনো অসি করম্বা মতমদা পোকখায়রক্কদগে হায়বদু চপ চানা হায়বা ঙমদ্রবসু অমুক হন্না মফম অদুদা ইরপসন থোক্লবা য়াবগী চাংদি চাদা ৮০ লৈ হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মরম অদুনা গোমাগী মফম খরদগী মীওইশিং ইভাক্কেদ তৌবা হৌখিবনি। গোমাগী মীয়াম্নসু য়ারিবমখৈ য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা অমদি নিংখাইরকপা য়াবা অচৌবা বিল্ডিং মনাক্তা লৈতনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি। গোমা সিটিদগী কিলোমিটর ২০ লোম চৎলগা লৈবা মফমশিংদগী মী ইভাক্কেদ তৌবগী থবকশিং মখা তানা চথুখিগনি। মফমদুদা লৈরিবা মীওইশিংনসু য়ারিবমখৈ মথৌ তাবা পোৎলম খক্তমক মশাগা লোয়নরক্লবা ওথোরিটিশিংনা আপীল তৌখিবগা লোয়ননা অনৌবা দিভলপমেন্ট অমা লৈত্রিবা ফাওবা গোমাগী মফম খরদা মীওইশিং চথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থল্লে হায়রি। পনবা য়াবদি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা গোমাগী মফম খরদা মৈ মহি চেন্থোরকপা থেংনখিবগা লোয়ননা নিকপগী থৌদোকশিং থোকখিবনি।

# লোস এঞ্জেলসকী মেয়র ইরিকপু য়ু এস এম্বেসেদর ওইনা ইন্দিয়াদা থল্লবা য়ারি



ৱাশিংটন, মে ২৭ (এজেন্সী) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা হৌজিক হৌজিক লোস এঞ্জেলসকী মেয়র ওইনা লৈরিবা ইরিক গরসেটিবু ইন্দিয়াদা য়ু এসকী এম্বেসেদর ওইনবগীদমক নোমিনেট তৌরবা য়ানা লৈরি হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মথং চয়োলদা বাইদেননা ইন্দিয়া য়াওনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা লৈগদবা য়ু এসকী পোলিটিকেল এম্বেসেদরশিংগী মমিং লাউথোক্লবা য়ানা লৈরি। ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর ওইনবগীদমক ইরিকপু নোমিনেট তৌরবা য়াই হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা নিকোলাস বর্নসপুনা চাইনাগী এম্বেসেদর ওইনা অদুগা রাম ইমান্যুএল অমসুং তোম নাইদসপুনা মথংশিংনা জপান অমসুং ইজরেলগী এম্বেসেদর ওইনা লাউথোক্লবা য়ানা লৈ হায়রি।

মশাগী চহী ৫০ রোম শুরবা এরিক য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগা য়াম্না নক্লবা মীওই অমনি। কুমজা ২০২০ দা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্সিএল কেম্পেইনদসু ইরিকনা বাইদেনগী অচৌবা মতেং পাংখি। য়ু এসতা খ্বাইদগী চাওবা ষ্টেট ওইরিবা লোস এঞ্জেলসতা ইরিক হৌজিক হৌজিক মেয়র ওইনা লৈরি।

য়ু এসকী ইন্দিয়াদা লৈগদবা এম্বেসেদর অসি চহী অসিগী জনুৱারীদগী হাংদুনা লাকখিবনি। ফুল টাইম এম্বেসেদর অমা হাপ্তবনা মরম ওইরগা হৌজিক হৌজিক য়ু এসকী এক্তিং সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট অমসুং এক্তিং দিপ্যুটি সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটকী থৌ পুরিবা ফোরেন সার্ভিস ইন্সটিট্যুটকী দিরেক্তর দেনিএল স্মীটনা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর ইন চার্জ ওইনা থৌ পুরি। চহী অসিগী মার্চ থাদগী হৌরগা জো বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না মখোয়গী অতোপ্পা লৈবাকশিংদা লৈগদবা এম্বেসেদরশিংগী মমিং খন্দাকপা হৌরকখিবনি। অদুমওইনমক হ্বাইট হাউসনদি হীরম অসিগী মতাংদা চপ চানা মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি।

# ইলেক্সনদা মীয়াম্না মপুং ফানা শরুক য়ানবা তকশিনখ্রে



টেহরান, মে ২৭ (এজেন্সী) :
লাক্কদৌরিবা জুন ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না মপুং ফানা শরুক য়ানবা ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াটোলা অল্লি খামেনৈনা তকশিল্লকখিবগা লোয়ননা ইলেক্সনবু কান্নদবা ওইনা উহন্নবা হোৎনরিবশিংগী ৱাফম থওইনা লৌদনবা খঙহল্লক্লি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ইলেক্সন অসি নোংমা খক্তদা পাঙথোক্কদবনি। অদুবু ইলেক্সনগী চৈথেংদি চহী কয়া মীয়াম্না ফংগদৌরিবনি। ফংগদৌরিবা চৈথেং অদু অফবা নৎত্রগা ফত্তবা ওইরকপা য়াই। মীয়াম্না লাক্কদবা মতমদা অফবা চৈথেং ফংনবগীদমক ইলেক্সনদা অফবা কেন্দিদেট মায় পাকহনবা মথৌ তাই।

ওপোজিসনদা লৈরিবা মীওইশিংনা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট ইলেক্সন অসিবু বোয়কোট তৌনবা মীয়ামদা আপীল তৌখিবা ৱাফমশিং তারোইদবনি। ইরানদা লৈরিবা মশাগীতা খনবা পোলিটিসিয়ন খরনা ইলেক্সন তৌবা পামদ্রি। মরু ওইনা ওপোজিসনদা লৈরিবা একজাইল ওইখ্রবা পোলিটিসিয়নশিংনা ইলেক্সন পাঙথোকপা পামদে। মরমদি পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মখোয় মায় পাকপা ঙল্লোই হায়বা খঙবদগীনি। মরম অদুনা মখোয়না মীয়ামদা অরানবা প্রোপোগন্দা কয়া তৌদুনা ইলেক্সন বোয়কোট তৌনবা হোৎনরিবা অদু মায় পাক্লোইদবনি হায়রি।

# নাইজর তুরেলদা মীওই ১৫০ রোম থিবা ফংদনা লৈরি: লোকেল ওফিসল

কানো, মে ২৭ (এজেন্সী) :
নাইজেরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা নাইজর তুরেলদা মী কা হেন্না তোংহন্দুনা লাকখিবা হি অমা লুপখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১৫০ রোম হেন্না থিবা ফংদনা লৈরি। অমদি মখোয়শিং অদু ঈরাক্নদুনা শিরম্লগদ্রা চিংনরি হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

নাইজর ষ্টেটতগী ৱারাগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা কেবি ষ্টেটতা হি অদু চৎখিবনি। হি অদুদা তোংগদবা মীগী চাংদগী কা হেন্না তোংশিনখিবনা মরম ওইরগা হি অদু ঈশিংগী ঈয়াইদা লুপখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। হি অদু মীওই ১৩০ রোমতমক তোংবা য়াই। অদুমওইনমক মীওই ১৮০ রোম হি অদুদা তোংদুনা চৎখিবনি। হি অদু লুপখিবগী পাউ হেক ফংবগা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা থি হুম্বগী থবক চথুখি। মদুদা অহানবগী ওইনা মীওই ২০ হিংনা রেস্ক্যু তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা ৪ না শিনা থেংনখিবনি। অতোপ্পা মীওই ১৫৬ তি হৌজিকসু থিবা ফংদনা লৈরি।

নাইজর তুরেলদা হিগী মতেংনা মীওই কয়া অতোপ্পা মফম অমদা অমদা চথোক চৎশিন তৌরি। অয়াম্বা মতমদা হি অমনা পুগদবা কেপাসিটিগী চাংদগী হেন্দোক্না মী তোংহন্দুনা পুথোক পুশিনবগী থবক তৌই। অদুমওইনমক নাইজেরিয়নগী ঈশিং লম্বীদা থোকপা খ্বাইদগী মী শিহনবগা থৌদোকশিংগী মনুংদা হন্দক্কী অসিসু অমা ওইরি।

# ইমপ্লোয়ী অমনা থবক শুমিন্নবা মীওই ৮ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

সেন জোস, মে ২৭ (এজেন্সী) :
য়ু এসতা নোংমৈ কাপ্তুনা মী হাৎপগী থৌদোকশিং থিংনবা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তসু ত্রানজিৎ ইমপ্লোয়ী অমনা মহাক্না থবক শুমিন্নবা মীওই ৮ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগা লোয়ননা অমনা শোকহনখি। মদুগী মতুং মহাক মশাসু মতোমতা কাপশিন্দুনা শিজখিবনি।

য়ু এসকী কার্লিফোনিয়াদা থোকখিবা থৌদোক অদু য়াম্না লাইবকথিবা থৌদোকনি হায়না কালিফোনিয়াগী গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গন ভাইওলেন্সকী থবকশিং লেপ্পবা অকনবা মওংদা আপীল তৌরকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা অকুপ্পা মরোলদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা মরী লৈনবশিংনা চপ চানা খঙহল্লকপা লৈত্রি। অদুমওইনমক থৌদোক অদু অয়ুক্কী পুং ৬.৩০ রোম তারকপা মতমদা থোকখিবনি হায়রি।

কার্লিফোনিয়া কাউন্টি সেরিফকী দিপ্যুটি রুসেল দেভিসনা ফোঙদোকখিবদা কালিফোনিয়াগী সান্তাক্লারা ভেল্লি ট্রান্সপোর্টেসন মনাক নক্না নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমা থোক্লি হায়বগী পাউ ফংলবা মতুং সেরিফশিং মফমদুদা থুনা য়াঙনা চঙশিনখি। সেরিফশিং অদুনা থৌদোক থোকফম অদু য়ৌরবা ফাওবদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখি। পুলিস লাকপা উবদা থৌদোক্তুনা চেন্নরিবা মীওই অদুসু মশা মতোমতা কাপশিন্দুনা শিজখিবনি হায়রি।

# সাইক্লোন য়াসনা মরম ওইরগা অচাকপা জহাজগী মৈ মুথৎনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে: নেভি



কলম্বো, মে ২৭ (এজেন্সী) :
কেমিকেল কন্টেনর কয়া হাপ্লগা পুরকখিবা এম ভি এক্স-প্রেস পর্লদা চাক্লিবা মৈ মুথৎনবা হোৎনবদা সাইক্লোন য়াসনা মরম ওইরগা চাওনা খুদোংচাদবশিং রেস্ক্যু ৱার্করশিংদা মায়োক্নহল্লে হায়না শ্রীলঙ্কান নেভিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

সিঙ্গাপুরদা বেজ তৌবা ভেসেল অসি নাইট্রিক এসিদ টন ২৫ অমদি অতোপ্পা কেমিকেলশিংগা লোয়ননা কোসমেটিক্কী ওইবা পোৎলমশিং পুদুনা লাকখিবনি। করিগুম্বা জহাজ অসি মপুং ফানা মৈ চাক্তুনা মসিদা য়াওরিবা কেমিকেলশিং অসিনা ঈশিং ঈমায়দা চেন্থোরক্লবদি খুদোংচাদবশিং থোক্লবা য়ানা লৈ। অদুমওইনমক কলম্বোগী মায়কৈদগী কেমিকেলশিং অসিনা ঈশিংদা তাশিল্লক্লবসু ঙাকথোক্লবা শেম শাবগী থবক পায়খৎপা লোইরে হায়রি।

এম ভি এক্স-প্রেস পর্ল ভেসেল অসি ইন্দিয়াগী গুজরাটতগী হৌখিবা মে ২০ দা কলম্বো তম্না লাকখিবনি। সমুদ্র খোঙবানদগী কিলোমিটর ১৪ রোম চৎলবা মতুং নুমিৎ অদুমক্তদা ভেসেল অদুগী শরুক খরদা মৈ চাকপা হৌরকখিবনি। শ্রীলঙ্কাগী এয়র ফোর্সনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তসু ফায়র রিটার্দেন্ট কেমিকেল কিলোগ্রাম ৪২৫ থাদদুনা মৈ অদু মুথৎনবা হোৎনখি। অদুমওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ভেসেল অদুদা চাক্লিবা মৈ মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মৈ মুথৎপা অসিদা মতেং পাংনবগীদমক কোষ্ট গার্ড ভেসেল অহুম থাখ্রে হায়না পাউ পীরকখ্রে। ঙসি অথেংবা ফাওবদা ভেসেলশিং অদু থৌদোক থোকফমদা থুংলরগনি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তসু শ্রীলঙ্কাদা ভেসেল অদুদা চাক্লিবা মৈ কন্নবা হোৎনরিবা অদুদা মতেং ওইনবগীদমক ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কোষ্ট গার্ড ভেসেল অমসু মাংজৌননা থারকখ্রবনি। অমরোমদা সাইক্লোন য়াসনা মরম ওইরগা নুংশিৎ কন্না শিৎলকপদগী জহাজ অদুগী মৈ মুথৎনবা হোৎনবদা নেভিশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 169,166,072 | +90,837 | 3,514,269 | +2,325 | 150,940,063 | 14,711,740 |
| 1 | USA | 33,971,207 | | 606,179 | | 27,662,268 | 5,702,760 |
| 2 | India | 27,369,093 | +1,158 | 315,263 | | 24,633,951 | 2,419,879 |
| 3 | Brazil | 16,275,440 | | 454,623 | | 14,733,987 | 1,086,830 |
| 4 | France | 5,621,696 | | 109,023 | | 5,266,459 | 246,214 |
| 5 | Turkey | 5,212,123 | | 46.787 | | 5,057,713 | 107,623 |
| 6 | Russia | 5,035,207 | +9,039 | 120,002 | +402 | 4,651,849 | 263,356 |
| 7 | UK | 4,470,297 | | 127.748 | | 4,308,117 | 34,432 |
| 8 | Italy | 4,201,827 | | 125,622 | | 3,816,176 | 260,029 |
| 9 | Germany | 3,667,041 | | 88.479 | | 3,438,800 | 139,762 |
| 10 | Spain | 3,657,886 | | 79,855 | | 3,408,668 | 169,363 |
| 11 | Argentina | 3,622,135 | | 75,588 | | 3,181,288 | 365,259 |
| 12 | Colombia | 3,294,101 | | 86,180 | | 3,078,965 | 128,956 |
| 13 | Iran | 2,875,858 | +9,994 | 79,384 | +165 | 2,396,540 | 399,934 |
| 14 | Poland | 2,869,652 | +1,230 | 73,440 | +135 | 2,632,483 | 163,729 |
| 15 | Mexico | 2,402,722 | +2,932 | 222,232 | +272 | 1,919,821 | 260,669 |
| 16 | Ukraine | 2,193,367 | +3,509 | 50.076 | +183 | 2,006,918 | 136,373 |
| 17 | Peru | 1,937,245 | | 68,634 | | 1,720,665 | 147,946 |
| 18 | Indonesia | 1,797,499 | +6,278 | 49.907 | +136 | 1,649,187 | 98,405 |
| 19 | Czechia | 1,659,980 | +541 | 30,059 | +3 | 1,614,915 | 15,006 |
| 20 | South Africa | 1,645,555 | | 56.077 | | 1,546,583 | 42,895 |
| 21 | Netherlands | 1,634,138 | | 17,576 | | 1,449,761 | 166,801 |
| 22 | Canada | 1,368,106 | | 25.361 | | 1,297,960 | 44,785 |
| 23 | Chile | 1,344,618 | | 28,624 | | 1,277,019 | 38,975 |
| 24 | Philippines | 1,200,430 | +6,483 | 20,379 | +210 | 1,131,942 | 48,109 |
| 25 | Iraq | 1,181,698 | | 16,267 | | 1,094,140 | 71,291 |
| 26 | Romania | 1,076,840 | +307 | 30,131 | +39 | 1,036,646 | 10,063 |
| 27 | Sweden | 1,068,473 | | 14,413 | | 945,986 | 108,074 |
| 28 | Belgium | 1,052,652 | +1,975 | 24,889 | +16 | 947,199 | 80,564 |
| 29 | Pakistan | 911,302 | +2,726 | 20.540 | +75 | 831,744 | 59,018 |
| 30 | Portugal | 846,434 | | 17,022 | | 807,065 | 22,347 |
| 31 | Israel | 839,416 | +8 | 6.406 | | 832,582 | 428 |
| 32 | Hungary | 803,119 | +396 | 29,654 | +32 | 682,301 | 91,164 |
| 33 | Bangladesh | 794,985 | +1.292 | 12,480 | +22 | 735,157 | 47,348 |
| 34 | Jordan | 733,198 | | 9,407 | | 712,929 | 10,862 |
| 35 | Japan | 729,853 | +4.536 | 12,601 | +105 | 655,222 | 62,030 |
| 36 | Serbia | 711,116 | | 6,811 | | 691,717 | 12,588 |
| 37 | Switzerland | 692,111 | +992 | 10,796 | +7 | 643,206 | 38,109 |
| 38 | Austria | 643,168 | +585 | 10,573 | +7 | 626,259 | 6,336 |
| 39 | UAE | 563,215 | +2,167 | 1,664 | +3 | 543,023 | 18,528 |
| 40 | Nepal | 542,256 | +6.731 | 6,951 | +106 | 418,829 | 116,476 |
| 41 | Malaysia | 541,224 | +7,857 | 2,491 | +59 | 469,325 | 69,408 |
| 42 | Lebanon | 539,271 | | 7,697 | | 513,884 | 17,690 |
| 43 | Morocco | 517,808 | | 9,131 | | 506,061 | 2,616 |
| 44 | Saudi Arabia | 444,780 | | 7,295 | | 427,462 | 10,023 |
| 45 | Ecuador | 421,231 | | 20,312 | | 366,425 | 34,494 |
| 46 | Bulgaria | 417,526 | | 17,617 | | 377,318 | 22,591 |
| 47 | Greece | 395,094 | | 11,916 | | 362,009 | 21,169 |
| 48 | Belarus | 390,203 | +1,216 | 2,811 | +10 | 380,677 | 6,715 |
| 49 | Slovakia | 389,344 | +168 | 12,320 | +8 | 374.556 | 2,468 |
| 50 | Kazakhstan | 380,160 | +1,849 | 3,879 | +23 | 345,984 | 30,297 |
| 51 | Panama | 375,600 | | 6,357 | | 363,282 | 5,961 |
| 52 | Bolivia | 358,562 | +3,213 | 14,226 | +102 | 286,644 | 57,692 |
| 53 | Croatia | 355,296 | +375 | 7,981 | +10 | 344,347 | 2,968 |
| 54 | Paraguay | 342,221 | | 8,701 | | 281,562 | 51,958 |
| 55 | Georgia | 340,836 | +508 | 4,699 | +17 | 323,409 | 12,730 |
| 56 | Tunisia | 338,853 | | 12,398 | | 298,855 | 27,600 |
| 57 | Azerbaijan | 333,097 | | 4,885 | | 322,273 | 5,939 |
| 58 | Costa Rica | 309,486 | | 3,908 | | 238,971 | 66,607 |
| 59 | Palestine | 306,795 | | 3,483 | | 299,559 | 3,753 |
| 60 | Kuwait | 303,039 | | 1,751 | | 288,289 | 12,999 |